## ভাইরস থেংনবদা য়েন বিলিয়ন ১০.৩ চাদিং তৌরগনি

টোকিয়ো, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস থেংনবদা বজেট রিজার্ভতকী য়েন বিলিয়ন ১০.৩ শীজিন্নবগীদমক ৱারেপ ইরাই নুমিত্তা কেবিটেনা লৌরগনি হায়না জপানিজ প্রাইম মিনিষ্ট সীঞ্জো অবেনা ফোঙদোকখ্রে। কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা টাস্ক ফোর্স অমগী মীফম লোইরবা মতুংদা অবেনা ভাইরসকী লাইচৎ থেংনবদা পুন্না য়েন বিলিয়ন ১৫.৩ শীজিন্নরগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## পেমেক্সকী হান্নগী মকোক ফারে

মদ্রিদ, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
স্পেনিস পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমত্তা মেক্সিকোগী ষ্টেট ওইল ফার্ম পেমেক্সকী হান্নগী চীফ এগজিক্যুটিভ ঈমিলিয়ো লোজায়া ফাখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট এন্দ্রেজ মন্যুএল লোপেজ ওব্রাদরগী গভর্নমেন্টকী এন্টি-করপসন ড্রাইভতা অচৌবা মায় পাকপগী খোঙথাং অমা লাকপা হৌখ্রে। লোজোয়াবু শেল চাই অমসুং মনিলোন্দরিংদা চেন্নৈ হায়না মরাল শীরিবনি।

## কোরোনাভাইরসকী অকিবা লৈবনা লৈবাক কয়ানা চঙহনখিদ্রবা ক্রুজ জহাজ কম্বোদিয়াদা খামহনখ্রে



সিহানোভিলে, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
শাথিরবা নোভেল কোরোনা-ভাইরস ইনফেক্সন লৈবা মীওই কয়া য়াওরম্বা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী লৈবাক মঙানা চঙহনখিদ্রবা ক্রুজ জহাজ অমা চয়োল অনী সমুদ্রদা ফাইরুরবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা কম্বোদিয়াদা খামহনখিবগা লোয়ননা জহাজ অদুগী পেসেঞ্জরশিংনা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং কম্বোদিয়াগী থৌওং অদুবু গ্লোবেল হেল্থ ওফিসলশিংনা থাগৎখ্রে।

পেসেঞ্জর ১,৪৫৫ তোংবা অমসুং ক্রু ৮০২ য়াওবা এম এস ৱেষ্টরদাম কৌবা ক্রুজ জহাজ অদু অয়ুক অঙনবদা ওফসোরদা খাল্লবা মতুংদা কম্বোদিয়াগী হিথাংফম টাউন সিহানোভিলিগী দোকশিংদগী উবা ফংখি। দোকশিং অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা পেসেঞ্জরশিংবু ওক্লনবা শেম শাখিবগা লোয়ননা এম্বেসিগী ওফিসলশিং অমসুং কম্বোদিয়াগী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা জর্নেলিষ্টশিংগা লোয়ননা ঙাইদুনা লৈখি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎকী অকিবা মরক্তা হোং কোংদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১ দা খোঙশানবা হৌখিবা ক্রুজ জহাজ অদু জপান, থাইলেন্দ, টাইৱান, ফিলিপিন্স অমসুং য়ু এস টেরিটরি গুৱাম্না খাম্বা নৎত্রগা চঙবা য়াহনখিদবা মতুংদা কম্বোদিয়াগী সিহানোভিলি হিথাংফমদা থুংখিবনি। ওপরেটর হোলেন্দ অমেরিকা লাইন্না জহাজ অদু নুমিৎ কয়ানি মফম অদুদা লৈগনি হায়না ফোঙদোকখি।

গেষ্টশিং মথংগী নুমিৎ খরনি অসিদা সিহানোভিলিদা কুপ্লগা ময়ুম ময়ুমদা হনখিনবগীদমক্তা চার্টর ফ্লাইটশিংগী খুথাংদা নোম পেন্দা পুখিগনি। হোলেন্দ অমেরিকা লাইন্না পেসেঞ্জরশিংনা ময়ুমদা হনবগী ফ্লাইট পুম্নমক্কী চাদিং পুথোকপগা লোয়ননা ক্রুজ জহাজ অসি তোংবগীদমক্তা লৌখিবা শেনফমসু মপুং ফানা হন্দোক্কনি হায়না ওপরেটর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওপরেটর অসিনা মখা তারদুনা জহাজ অদুদা তোংলিবা মীওই ২,২৫৭গী মরক্তা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈবা মীওই অমত্তা য়াওদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ইষ্টর্ন কম্মান্দর হাফটরগী ফোর্সশিংনা ত্রিপোলিদা য়ু এন ফ্লাইটশিং চঙবা থিংখ্রে



বেঘাজি, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
ইষ্টর্ন লিবিয়া ফোর্সেসনা য়ুনাইটেদ নেসন্সপু কেপিটেল ত্রিপোলিদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা মথৌ তৌরিবা এয়রপোর্ট শীজিন্নবা য়াহল্লরোই হায়না সিটি অদুবু মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্টতগী মুন্নবা হোৎনদুনা লাক্লিবা গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেন অমনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন্না মমাংদা লিবিয়া নেসনল আর্মি (এল এন এ) হায়না খঙনবা কম্মান্দর খালিফা হাফটরগী ফোর্সশিংনা ফ্লাইটশিংদা অথিংবা থল্লকপদগী থাউ মরাং কায়না ফংবা কনফ্লিক্ট চাওনা লৈরিবা লৈবাক অদুদা পায়খৎলিবা অৱা-অনা মতেং পাংবগী অমদি ৱাতেম্বগী থবকশিংদা অকায়বা লাকহল্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। ইজিপ অমসুং য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসনা শৌগৎপা এল এন এনা হৌখিবা এপ্রিলদগী ত্রিপোলি লৌশিন্নবা হোৎনরকখিবদা, সিটি অদুগী দিফেন্স লাইনশিং থুগায়বা ইঙম ঙমদনা লাকখিবনি। ইষ্টর্ন সিটি বেনঘাজিনা এল এন এগী স্পোক্সমেন মিসমারিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফ্লাইটশিংগী সেফটিগীদমক মিশ্রাতাগুম্বা অতৈ এয়রপোর্টশিং শীজিন্নবা তাই হায়খি।

## ‘ফিলিপিন্সনা য়ু এসকা মিলিটরি পেক্ট লোইশিন্নবা পাল্লবসু কায়দে’



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুটর্টেনা মতম শাংনা লৈরক্লবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা য়ানখিবা মিলিটরি পেক্ট অমা লেপ্পনবা ৱারেপ লৌখিবা অসিনা অকায়বা অমত্তা পীনিংঙাই ওইদে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ট্রম্পকী দিফেন্স সেক্রেটরিনদি ফিলিপিন্সকী খোঙথাং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি হায়রি। দুটর্টেরনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চহী ২০ শুরক্লবা ভিজিটিং ফোর্সেস এগ্রীমেন্ট (ভি এফ এ) মখা তানা চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবনি।

য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পরনা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্টকী ৱারেপ অদু লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱাশিংটন অমসুং মীচংশিংনা চাইনাদা ইন্টরনেসনল রুলশিং ঙাক্লা চৎননবা আপিল তৌখি। মানিলাদা লৈরিবা য়ু এস এম্বেসিনা মিলিটরি পেক্ট লোইশিনবগী ৱারেপ অদুনা অরুবা ফিভম কয়া লাকহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

দুটর্টেগী ওর্দরদা ড্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা লাঞ্জং লুচিংখিবা হান্নগী পুলিস চীফ অমনা পায়বা য়ু এসকী ভিজা অমা রিভোক তৌখিবদগী লৌরক্লিবা ৱারেপ অদু নুমিৎ ১৮০ নিগী মনুংদা লিগেল ইফেক্ট লৈগদবনি। য়ু এস ওফিসলশিংনদি ৱারেপ অদু হন্দোকপা নৎত্রগা মতম চোন্থহনবা য়াগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লখি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পতা পাউমীশিংনা দুটর্টেগী ৱারেপ অদুনা করি থোকহল্লকপা য়াবগে অমদি ৱারেপ অদুগী মতাংদা করি লৈবগে হায়না হংবদা ট্রম্পনা হায়খি, মখোয়না য়ু এসকা য়ানদুনা লাক্লিবা মিলিটরি পেক্ট অমা মখা তানা চৎনহনবা পামদে হায়রক্লিবসিদা ঐঙোন্দা থোইদোক্লা নুংঙাইতবা লৈতে। তশেংনমক মদুনা হেন্না শেনয়াম অমা সেভ তৌবা ঙম্লগনি হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা ঐহাক্কী মীৎয়েংদি অতৈদগী তোঙাল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## চাইনাদা নোভেল কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মীশিং ১,৩৬৭ য়ৌরে

বৈজিং, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
চাইনাদা শন্দোক্লিবা শাথিরবা নোভেল কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা শিবা মী মশিং ১,৩৬৭ য়ৌরে অমসুং ভাইরস অসি কনফার্ম তৌরবা কেস মশিংনা ৫৯,৮০৪ য়ৌরে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

লাইচৎ অদুগী ইপিসেন্টর ওইরিবা হুবৈ প্রোভিন্সতা নোংমগী মনুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবগা লোয়ননা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবা মতুংদা ফিভম অসি লাকখিবনি।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী স্পোক্সপর্সন অমা ওইরিবা লি ফেংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, দব্লিয়ু ঐচ ওনা ওফিসল ওইনা সী ও ভি আই দি-১৯ হায়না মমিং থোনখ্রবা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিহল্লিবশিং অমসুং লায়না অসিগী অনৌবা কেসশিং অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা প্রোভিন্সিএল-লেবেল রিজন ৩১ অমসুং সীঞ্জিয়াং প্রদক্সন এন্দ কন্সট্রক্সন কোনা রিপোর্ট তৌখিবনি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পুন্না মীওই ২৪২ শিদুনা নোংমগী মনুংদা মী খ্বাইদগী মশিং য়াম্না শিবা ওইখি হায়না লিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ুমশকৈশাগী অথেংবা ফাওবদা অনাবা ফরবা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট পুন্না ৫,৯১১ হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিকফাওবগী ওইনা পেসেন্টশিং হুবৈদা মরাং কায়না ফংদবা ইক্বিপমেন্ট শীজিন্নরগা পাঙথোকপা টেষ্টশিংগী খুথাংদা কনফার্ম তৌরম্বনি হায়না পল্লদুনা নেসনল হেল্থ কম্মিস্লনা হৌজিক্তি দোক্তরশিংনা অনৌবা পাম্বৈ খরনা ভাইরসকী কেস মশিং হেন্না কনফার্ম তৌবা ঙম্লগনি হায়খি।



## ইজরেল অমসুং য়ু এস মালেম্না য়ানবা ৱাফম শীংনৈ হায়না মরাল শীখ্রে





রমালা, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
সিনিয়র পলিষ্টিনিয়ন ওফিসল অমনা শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এস অমসুং ইজরেলবু পলিষ্টিনিয়ন টেরটরিশিংদা ইজরেলি সেট্টলমেন্টশিং থম্বগী ৱাফম য়াদ্রিবা মালেমগী ওইবা য়ানবা ৱাফম শীংনৈ হায়না মরাল শীখ্রে।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা পলিষ্টিনিয়ন ওথোরিটিগী মিনিষ্টর অমা ওইরিবা হুসেন অল-সেখকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, রিপোর্ট অমা ফোংখিবা মতুং ইজরেল অমসুং য়ু এসনা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল বোইকোট তৌখ্রে। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এন হায় কম্মিস্নর ফোর হ্যুমেন রাইটস (য়ু এন ঐচ সী ঐচ আর)না ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈরিবা ইজরেলি সেট্টলমেন্টশিংদা থবক তৌরিবা ইন্টরনেসনল কম্পনিশিং অমসুং ফেক্টরিশিংগী মমিংশিং খঙহনবা রিপোর্ট অমা ফোঙখিবনি।

য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল বাইকোট তৌরিবা অসিনা ইজরেল অমসুং য়ু এস অনীমক্না ইন্টরনেসনল এজেন্সিশিং অমসুং মখোয়গী রিজোল্যুসনশিংবু করিমত্তা থৌশাদ্রে হায়বা উৎলি হায়না ফোঙদোক্লদুনা অল-সেখনা হায়খি মদুদি, মখোয়গী ফিরেপশিং অসি মালেমগী ওইবা য়ানবা ৱাফমদা শীংনবা অমনি। শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ইজরেল রেদিওগী রিপোর্টনা লৈবাক অদুগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ু এন ঐচ সী ঐচ আরবু সেট্টলমেন্টশিংদা থবক তৌরিবা ইজরেলি অমসুং ফোরেন কম্পনিশিংগী মমিংশিং য়াওবা রিপোর্ট ফোঙবগীদমক্তা বোইকোট তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়খি।

পলিষ্টিনিয়ন ওফিসলশিংনদি রিপোর্ট অদু ফোংবগীদমক্তা য়ু এন ঐচ সী ঐচ আরগী ফিরেপ্পু থাগৎখি অমদি থৌওং অদুনা পলিষ্টিনিয়নশিংগী অচুম্বা দিমান্দশিং চাওনা শৌগৎপিরে অমসুং পলিষ্টিনিয়নশিংগী লমশিংদা ইলিগেল ওইবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎলিবা ইজরেলি সেট্টলমেন্টশিং য়ানিংদে হায়বসি উৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

## জপানদা তোঙান্না থম্লিবা ক্রুজ জহাজদা কোরোনাভাইরস কেস ২১৮ য়ৌরে



টোকিয়ো, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
য়োকোহমাগী সমুদ্র খোংবান মনাক্তা তোঙান্না থম্লিবা ক্রুজ জহাজদা তোংলিবশিংগী মরক্তা চাংয়েং তৌবদা শাথিরবা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা মীগী মশিং অনৌবা কেস ৪৪ থারগা হৌজিকফাওবা ২১৮ য়ৌরে হায়বসি শগোলশেল নুমিত্তা জপানিজ ওথোরিটিশিংনা কনফার্ম তৌখ্রে।

টোকিয়োগী খারোমদা য়োকোহামা হিথাংফমদা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ৩ দগী তোঙান্না থম্লিক্লিবা মীওই ৩,৭০০ তোংবা প্রিন্সেস দাইমন্দ কৌবা ক্রুজ জহাজ অদুদা সী ও ভি আই দি-১৯গী কেস ২১৮ দিটেক্ট তৌখ্রে হায়না ইফে ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হোং কোংদা কুমখিবা জহাজ অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর অমা চাংয়েং তৌবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইখিবা মতুংদা জহাজ অসিবু তোঙান্না থম্বগী খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

জহাজ অদুদা তোংলিবশিংগী ষ্টেট্টসকী মতাংদা পল্লদুনা দেলি প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা জপানিজ হেল্থ মিনিষ্টর কাটসুনোবু কাতোনা মীওই ২২১ চাংয়েং তৌবদা অনৌবা কেস ৪৪ থোক্লকখি। জহাজ অসিদা থেংনরিবা কোরোনাভাইরসকী কেসশিং অসি নত্তনা জপানগী ওইনা কেস ২৪৭ কনফার্ম তৌদুনা চাইনাগী ৱাংমদা লৈবাক অমদা লৈবা ভাইরস অসিগী খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা কেস ওইরিবনি।

চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিদা ইনফেক্তেদ কেস মশিং ৫৯,৯৩৯ য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

জহাজ অদুবু তোঙান্না থম্বা হৌখিবা মতমদা তোংখিবা অপুনবা পেসেঞ্জর মশিং ২,৬৬৬কী মনুংদা মীওই ২২৬ তি চহী ৮০ হেল্লবশিংনি। চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বশিং হোস্পিটাল সেন্টরশিংদা হোংখ্রবনি। মতম শাংনা জহাজ অদুদা থম্বনা অহল ওইরবশিংগী ৱাখল অমসুং হকচাংদা শোক্লকপা য়াই হায়না মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা জপান্না অহল ওইরবা পেসেঞ্জরশিং কুমহনবগী ৱাফম খন্নরক্লিবনি।

## অনৌবা আইরিস গভর্নমেন্ট শেম্বগী মতাংদা সিন ফেননা ৱারী শানবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে



দব্লিন, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা মীখলদা পার্টি অমত্তনা গভর্নমেন্ট শেম্বা ঙমদবগী ফিভম অমা লাকখিবা মতুংদা লেফট-ৱিং আইরিস নেসনেলিষ্ট পার্টি সিন ফেন্না শগোলশেল নুমিত্তা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবগী ওপসনশিং খন্ননবা ৱারী শানবগী ৱাফম সেন্টর-রাইট রাইভেল ফিয়ানা ফেনদা হৌদোকখ্রে।

সিন ফেনগী মায়কৈদগী হৌদোক্লিবা ৱাফম অদুনা ফিয়ানা ফেলগী লিদর মিচেল মার্টিনদা সিন ফেনগা পুল্লগা গভর্নমেন্ট শেম্বগী ৱাফমদা মহাক্কী ফিরেপ শেংনা ফোঙদোরক্লবগী প্রেসর পীখি।

পনবা য়াবদি, সীট ১৬০গী পার্লিয়ামেন্টদা ফিয়ানা ফেলনা সীট ৩৮ ফংলগা সিন ফেননা সীট ৩৭ ফংলিবনি। সিন ফেন, ফিয়ানা ফেল অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর লিও ভারদকারগী সেন্টর-রাইটস ফাইন গাইল পার্টিনা পার্লিয়ামেন্টকী সীট অপুম্বগী শরুক মরি থোকপগী অমমম ফাওবা ফংবা ঙমদবদগী পার্টি অহুম অসিগী মনুংদগী অনী পুশিন্দ্রবদি গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা ঙমদবগী ফিভম অমা লাকখিবনি।

মিচেল মার্টিননা মহাক দিমোক্রেট অমনি, মীয়াম্না ঙাঙবা তাই অমসুং মীয়ামগী ৱারেপ্পু ইকাই খুম্নে হায়খিবা লৈ। হৌজিক্তি মীয়াম্না অহোংবা লাকহনবগী ৱাফম শৌগত্তুনা ভোট পীখ্রে হায়বসি মহাক্না খঙলে হায়না সিন ফেনগী লিদর মেরি লৌ মেক-দোনাল্ডনা ফিয়ানা ফেলদা গভর্নমেন্ট শেমিন্ননবা ৱারী শানবগী ৱাফম হৌদোক্লদুনা ফোঙদোকখি।

মীখলগী কেম্প্যেন মনুংদা মার্টিলনা আইরিস রিপব্লিকান আর্মিগী হান্নগী পোলিটিকেল ৱিং সিন ফেনগা ৱাফম অমত্তা য়ানবা পুরক্লোই হায়না ফোঙদোকচখ্রবসু মীখল হেক লোইবগা মহাক্না খন্নবা য়াবা ৱাফম খুদিংমক খন্নগনি হায়খি।

## চাইনানা হোং কোং অমসুং মকাও এফ্যেরস ওফিসকী মকোক শীন্দোকখ্রে

বৈজিং, ফেব্রুৱারি ১৩ (এজেন্সি) :
চাইনানা হোং কোংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লিবা মফম অসিদা থম্লিবা ওফিসকী মকোক শীন্দোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না চাইনানা কন্ট্রোল তৌবা টেরিটরি অদুদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিং চত্থরকখিবদগী মফম তৎপা বৈজিংনা হাপ্পা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা ওফিসলনি হায়রি।

চাইনাগী হ্যুমেন রিসোর্সেস মিনিষ্ট্রিনা শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোকখিবা অমদা ঝাং সিয়াওমি হোং কোং এন্দ মকাও এফ্যেরস (ঐচ কে এম ও)গী দিরেক্টরগী ফমদগী লৌথোক্লগনি অমসুং মহাক্কী মহুৎ চাইনিজ পিপলস পোলিটিকেল কন্সল্টেটিভ কনফরেন্সকী ভাইস চ্যেরমেন ওইবা মশাগী চহী ৬৭ শুরবা সিয়া বাওলোংনা শীল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ক্রাইমদা চেন্নৈ হায়না চিংনবা মীওইশিংবু ৱায়েল চত্থনবগীদমক মেনলেন্দ চাইনাদা থাবা য়াহনগদবা এক্সত্রাদিসন দিল অমবু য়ানিংদবা উৎলদুনা হোং কোংদা মীয়াম্না থা ৭ হেন্না প্রোটেষ্ট চত্থরকখিবনি। ঝাংবু মফমদগী লৌথোক্লিবসি বৈজিংনা হোং কোংগী লিয়াজন ওফিসকী মকোক শীন্দোকপগী খোঙথাং অমা হৌখিবা জন্যুৱারিদা লৌখৎখিবা মতুংদনি।



মহাক্না ঐচ কে এম এ ওদা নুংতিগী ওইবা ওপরেসনশিং চার্জ পুবা দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা মখা তানা লৈগনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

সী জিনপিংনা কুমজা ২০০৩ দগীনা কুমজা ২০০৭ ফাওবা ঝেজিয়াং প্রোভিন্সকী কম্যুনিষ্ট পার্টিগী সেক্রেটরি ওইখিবা মতমদা সিয়াংনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট অসিবু সর্ভ তৌখিবনি। অহানবা ওইনা হোং কোংদা সীনা মহাক্না নকশিন্নবা মীওই থম্লে হায়না হোং কোং বেপটিষ্ট য়ুনিভর্সিটিগী পোলিটিকেল সাইন্সকী প্রোফেসর অমা ওইরিবা জোন-প্যের কাবেষ্টান্না ফোঙদোকখি।